# কাঙলূপকী লান অমসুং লাঞ্জেন্নরিবা অঙাংশিংগী পূক্নিং ৱাখলগী হকশেল

— ডা. সোরাম মনিকান্ত —
সিনিয়র কন্সলটেন্ট সাইকিয়াত্রিষ্ট
dr.smanikanta@gmail.com



নুমিৎ ১০০নি হেল্লবা লমদম অসিদা থোক্লিবা কাঙলূপ অনীগী লান অসিনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লিবসি অঙাংশিংনি। কাঙলূপকী ঈরাং অসিনা মীওই লিশীং কয়া লাঞ্জেন্নরে। য়ূম লিশীং কয়া মৈ থাখ্রে। লন-থুম কয়া মাঙ তাকখ্রে। ময়ূম মকৈ লৈত্রে। লৈফম চাফম খঙদ্রে। রিলিফ কেম্প কয়াদা চংজফম লৌদুনা হিংনবা হোৎনরি। চুড়াচান্দপুরদা খুন্দারিবা মীতৈশিংগী য়ূম মৈ থাবদা চাকপা ঙমহৌদবা চেক্কী য়ূম কয়াসু দোজর/জে সী বি শীজিন্নদুনা থুগায়খ্রে। খুল অমা, লৈকায় অমা লৈরম্মী হায়বগী খুদম চাংদম পূন্নমক মাঙখ্রে। লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিংনা মখোয়গী হান্নগী মফম অদুদা অমুক হঞ্জিনবা ঙম্লরোইদ্রা, য়ূম লিংদুনা লৈবা ফংলরোইদ্রা হায়বগী অৱা পোৎলূম পুদুনা লৈরি। মসিনা পূক্নিং ৱাখল পোত্থাফম খঙদবা, নুংনাংবা, তূম্বা-চাবা য়াদবা, তৌফম খঙদবা কয়া ওইহল্লে। মচা-মশুশিং য়েংশিনবা ঙমদ্রে। খোয়শাওনবা, পূক্নিং নুংশিবা কয়াগা লোয়নননা রিলিফ কেম্পশিংদা নোংমগী পুন্সি লেন্নবা হোৎনরি। চীংখোঙ-চীংয়াদা লৈরিবা মীয়াম কয়া অমসু লৈতাফম খঙদনা পুন্সি লেল্লি। লৌ-শিং পানবা ঙমদ্রে। চানবা লৈররোইদ্রা হায়বগী অৱাবা ৱাখল অমসু লোয়নরি। চীংগী লমদসু অঙাং কয়া মহৈ মশীং তম্বা ফংদ্রে। অসিগুম্বা চরাংনবা, হিংনবগী মহাও য়াওদ্রবা, ঙসি করি ওইনি, হয়েং করি থোক্কনি খঙদ্রবা তানফম অসিদা অঙাংশিংগী তুংগী পুন্সি করি ওইগনি।

অঙাং হায়বসি ৱাখল মপূং ফাদ্রিবনি। মতিক চাবা মী অমা ওইনবা হোৎনবদা মখোয়বু মখোঙ শোন্থীবা, হিমায় চুম্থীবা চংই। চাওরাক্লা অপূনবা মীশিংগী চাদা ৩১দি চহী ১৮ ফাওবদা লৈবা ৱাখল মপূং ফাদ্রিবা অঙাংশিংনি। মখোয় অসি হৌজিক্তি লৈফম, তূম্ফম লৈত্রে। মপূং ফানা চাবা ফংদ্রে। লাইরিক লাইশু তম্ফম খঙদ্রে। মহৈ মশিং তম্বদা পূক্নিং চংবা ঙমদ্রে। মমা-মপাগী মীনুংশি অমসুং মথানুংদা মনীং তম্না হিংজবা ফংদ্রে। নহা কয়ানা মহৈ-মশীং তমদুনা মশাগী করিয়র শেম্নবা হোৎনবগী মহুৎ মখূৎতা নোংমৈ পায়দুনা মশাগী ফূরুপ, মরৈবাক কন্দবা য়াদে হায়বা ৱাখলদা লান য়াওদুনা লৈরে। অশোক-অপন কয়া য়াওরে। মমা-মপা, মখুরা-মন্দোল, মচিল-মনাও, মচল-মচে অমদি অহল ওইরবা মপু-মবেন অশি-অনা নংলে। লৈফম-চাফমগী হোৎনরিঙৈদা মচা-মশু, অঙাংশিং য়েংশিনবা ঙমদ্রে। মহৈ-মশীং তম্বগী থোইনা খল্লুদ্রে। হিংনবগী লানফম অসিনা হেন্না মরু ওইরক্লে। ঙসি থোক্লিবা ঈরাং অসিনা অঙাংশিংদা অচৌবা পূক্নিং ৱাখলগী ওইবা চৈথেং অমা পীরে।

হৌজিক ঐখোয়না মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবশিং খরা পনবা তারবদি - চানবা চিঞ্জাক মরাং কায়না ফংবা ঙমদবা, ঈশিং মায়শিংগী অৱাৎপা লৈবা, লৈফম লৈতবা, নারক-য়েল্লকপা মতমদা লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংদবা, খোঙ হাম্ফম, মপান থোকফম মতিক চানা লৈতবা কয়া অসি পনবা য়াই। অসিদসু নত্তনা অকি-অখঙ কয়াগা লোয়নদুনা হিংলি। তূম্বা-চাবা মপূং ফাদবা, শাওনীংবা, কপনীংবা, পেন্দবা কয়াগী ৱাখল ময়াম অসিনা অঙাংশিংবু মপূং ফানা য়েংশিনবা ঙমদে। লৈতানা ৱাখল খনবা ঙমদবা, লমন খুম্নিংবগী ৱাখল্লোন কয়া অসিনা ধর্ম্ম-কর্ম্ম, লাইনীং-লাইশোনদা পূক্নিং চংবা ঙমদে। নে-তাবা য়ূম অমা, ইমুং অমা লৈদুনা মমা-মচা, মচিল-মনাও পূন্না লৈমিন্নবা, নুংশিনবা, লমজিং-লমতাক, চৎনবী, ৱাঙাঙ-শঙাঙ পূন্নমক ফম্মিন্নদুনা ৱারী-ৱাতায় তৌবা ফংদ্রে। লমজিং-লমতাকপীবা ৱাৎপনা অঙাংশিংনা চাওরক্লবা মতমদা পামদবা লমচৎ-শাজৎ কয়া লোয়নরকপা অমসুং সাইকোলোজিকেল দিসওর্দর কয়া ওইরক্লবগী মরম অমা ওইহল্লি। নুপী ওইবী মরু ওইনা মথোৎ কারকপী নুপীমচা কয়াগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখিবগী ৱাফম কয়াসু লৈরি। মীতৈ হায়বা ফূরুপ অসি য়াম্না কলচর তৌবা, মশাগী ইকায়খুম্নবা ঙাক্লা চৎচবা ফূরুপ অমনি। মরম অসিনা খুন্নাইগী মিনোক-মৈশা কিবদগী থোকখিবা থৌদোক কয়া অদু লোৎশিন্দুনা ৱাখলগী অৱা পোৎলূম লোয়নদুনা পুন্সি লেনবসু য়াওরি। কুকি নুপীমচা খরদি মখোয়গী ফূরুপকী খুদোংচাবা ফংনবা হোৎনবদা নুপী ওইবীগী ইকায়খুম্নবা পূন্নমক সেন্ত্রেল ফোর্সশিংদা পীথোক্লক্ত্রা হায়বগী ৱাফমসু ময়াম্না ঙাঙনরি। লানগী লাল্লোং অমা ওইনা নুপী ওইবীগী ইকায়খুম্নবা পূন্নমক কখোক্লি। মসিনা মখোয়গী মোরেল ভেল্যু অদু মাঙহঞ্জরে।

রিলিফ কেম্প নৎত্রগা লৈঙাক্লা শিনবা মতম মতমগী ওইবা লৈফমশিংদা লৈরিবা অঙাংশিংদা মখল মখা কয়াগী খুদোংচাদবা মায়োক্নে। য়ূমলৈ কৈরৈ ফত্তবা, অকোয়বগী ফীভম লূ-নানবা ৱাৎপা, খোঙ হাম্ফম, ইরুজফম মতিক চানা লৈতবা, কা অমদা মী হেন্না লৈশিনবা, ওভরক্রাউদিং ওইবা, মচি ওইবা চিঞ্জাক চাবা ফংদবা, ইম্যুন সিষ্টেম শোন্থরকপা অমসুং অনা-অয়েক য়াওরকপা তোয়না থোকপা থৌওংনি। অফবা থক্নবা ঈশিং ফংবা ৱাৎপা, লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংদবা কয়া অসিনসু অমুক্কা হেন্না খুদোংচাহন্দে। অসিদসু নত্তনা য়ূম অমগী, ইমুং অমগী লৈফম থোকপা অদু লৈতবনা সাইকোলোজিকেল সপোর্ট কয়াসু ফংবা ঙমদে। পীক্লিবা মরু ওইনা চহী ৫গী মখাদা লৈবা অঙাংশিংনা মখোয়গী ব্রেন দিভেলপমেন্ট অসি অফবা ইমুং অমগী মখা পোল্লি। অঙাং অমগী সাইকোলোজিকেল দিভেলপমেন্ট অসি য়াম্না হেলদি ওইবা ইনভাইরনমেন্ট অমদা চাওরকপা অঙাং অমগা চরাংনবা ইমুং অমদগী হৌরকপা অঙাং মগা খেন্নবা লৈগনি। হেলদি ইনভাইরনমেন্ট হায়বসি অফবা পেরেন্টেল ক্যের, লভ, এফেক্সন, গাইদেন্স, টিচিং, ফেমিলি রিচুএল, ৱাঙাঙ-শঙাঙ, লমচৎ-শাজৎ, মোরেল ভেল্যু, দিসিপ্লিন পূন্নমক অসিগী মখা পোল্লি। রিলিফ কেম্পতা মতম কুইনা লৈরক্লবা, নোংমগী হিংনবা হোৎনরিবা, অৱাৎপনা পীক থল্লবা, খোয়শাওনবা, মমা-মপা অমসুং ইমুংগী মীওইশিংগী মরক্তা পাউ ফাওনবা ৱাৎপা, পুন্সিগী পান্দম লৈরক্তবা, নোংমগী পুন্সি মরেল অমদা হিংনবা হোৎনবা কয়া অসিনা ইমুং অদুগী মীওইশিংগী মরক্তা অফবা মরী থম্বা ঙমদে। পূন্নমক অসিগী চৈথেং অসি পীক্লিবা অঙাংশিংগী মকোক্তা চুদুনা লৈখিবা মরম্না চাওরক্লবা মতমদসু ইমুং অদুগী লিচৎ অদুগী মমি তাবা থেংনগনি। অঙাং অমগী লিচৎ-শাজৎ হায়বসি মমা-মপা, ইমুং-মনুং, মহৈ তম্ফমশঙ, তাকপী-তম্বীরিবা মীওইশিং অমসুং লোয়নরিবা তিন্নরিবা মমান্নবশিংগী মখা পোল্লি। লান অসিনা মরম ওইদুনা অঙাং কয়া অমদি মহৈ তম্বা ফংদ্রে। মপূং ফাবা সাইকোলোজিকেল দিভেলপমেন্ট অমা ফংবা ঙমদ্রে। হৌজিক লৈঙাক্লা মহৈ মশীং তম্বগী থৌরাং খরদি লৌখৎপা লৈখ্রে। অদুবু মহৈ তম্ফমশঙ কয়াদি সেন্ত্রেল ফোর্সশিংনা লৈশিনখিবনা মহৈ তম্বা ফংবা ঙমদবসু য়াওরি। ঈরাং অসি লৈতবা চীংগী লমদসু মহৈ মশীং তম্বগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি। মরম অসিনা ঈরাং অসি অসুম মখা চত্থবা তারবদি হৌগৎলক্লিবা অঙাংশিংগী তুংগী পুন্সি তম্বা ঙমদবা ফীভম অমা মায়োক্নগনি।

কুকিশিংগী ওইনা য়েংবদসু ফীভম শোক্নিংঙাই ওইরি। ৱাখল মপূং ফাদ্রিবা নহা কয়াদা লানগী ত্রেনিং পীরি। মী হাৎপা, ফূবা-চৈবা, ওৎপা-নৈবা, লমন খুম্বগী ৱাখল শাগৎতুনা মখোয়গী ইন্নর ষ্ট্রেঙথ অদু অরানবা মওংদা শীজিন্নবা তম্বীবা হায়বসি অফবা নত্তে। মখোয়না হয়েং চাওরক্লগা মীনুংশি ৱাৎপা, মীগী অশোক অপন নৎত্রগা শিবা নাবা উরগা হেন্না নুংঙাইবা ফাওবা, তুংগী পান্দম লৈতবা, পল্লেপফম খঙদবা মী অমা ওইনা চৎখিবা য়াই। মসি কুকি ফুরুপকী ওইনা মাঙজবনি। ঐখোয়গী খুন্নাই লায়রবগী (বি পি এল) পনখৈ মখাদা লৈবা মীওইনা অয়াম্বনি। পোপি কলটিভেসন তৌবা, পোপি মরূ (সীদ) লল্লোনবা, দ্রগ করবার চত্থবা থৌওং অসিনা লায়রবা মীওইশিংবু হেন্না হেন্না নমথবীগনি। হেন্না হেন্না লায়রবা হায়বদু ওইরক্কনি। মসি খন্থবা ফৈ। অতোপ্পা নৈনবা য়াবা ৱাফম অমনা কুকি নুপী কয়া, ইনখৎলক্লিবা নুপীমচা য়াওনা খুদোংচাবা খরা ফংননবা হায়দুনা নুপী ওইবীগী ইকায়খুম্নবা পূন্নমক সেন্ত্রেল ফোর্সশিংদা কখোক্লে হায়বগী ৱাফম অমসু লৈখি। মসিনা অচুম্বা ওইবা তারবদি লান অসি লোইখিবা, নেমথখিবা নৎত্রগা সেন্ত্রেল ফোর্সশিং লমদম অসি থাদোক্তুনা চৎখিবা মতমদা মখোয়গী মরাইবক করি ওইগনি, ফিনুংগী লায়না কয়া নারকপা য়াই। মোরেল ভেল্যু হন্থরকপা, তৌফম খঙদবা, শেন্থোক লম্বী লৈতবা, ইন্থোকখিবা অমসুং লাইফ পার্টনর ফংলক্তবা মতমদা ওক্তবী ওইরকপগী ওইথোকপা চাউনা লৈ। মীতৈ অমসুং কুকি ফূরুপ অনীমক্তা ৱাখল মপূং ফাদ্রিবা নহা কয়া খূৎলায় পায়দুনা লান্থেংনবা য়াওরি। লান অসি লোইখ্রবা মতুং নৎত্রগা নাকল অনীমক্তা য়ানবা অমা পুরক্তুনা লান লেপখিবা মতমদা মখোয়গী তুংগী লম্বী করি ওইগনি। ইন্দিয়ান পেনাল কোদ (আই পি সী) কী মখাদা মরাল কয়া শীজিন্দুনা মপুন্সি চূপ্পা জুদিসল কষ্টদিদা লৈগদৌরিব্রা?

পূন্নমক অসি য়েংলুরগা হৌগৎলক্লিবা অঙাংশিং মজাতিবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎকদৌরিবা মখোয়গীদমক ঐখোয় খন্থবা মতম ওইরে। নুমিৎ ১০০ হেল্লবা, মীশি মীনা কয়া নংলবা, লৈতাফম খঙদ্রবা, লৌউ-শিংউ তৌবা ঙমদ্রবা, চানবা চিঞ্জাক লৈরোইদ্রা হায়বগী অকিবা লৈরবা খুন্নাই অসি মূৎখিবা য়াবগী তুজুংবা ফাওরবা মতম অসিদা মণিপুর লৈঙাক অমসুং মীয়ামগী মীহুৎনা তূমিন্না লৈশিনবা, মথৌ মশক খঙদবা, মীয়ামগী ৱাখল্লোন চেন্দবদগী মীচম মীয়াম্না অৱাবা নংলিবনি। মখোয়না মরৈবাক, মজাতিবু নুংশিরবা অমসুং মীচম মীয়ামগী য়াইফনবা থবক তৌরবদি লান অসি থোকখিগদ্রা? ঐখোয়গী লৈঙাক অমসুং মীয়ামগী মীহুৎ লৈরিব্রা? কাঙলূপ মশেল খৎন-চৈনবা, হাৎন-শুনবা পূন্নমকসি য়েংদুনা লৈবসিরা মখোয়না পাল্লিবসি। হৌজিকসু মতম লৈরি। অথুবদা লৈঙাক অমা লৈরি হায়বদু উৎনবা লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিং মখোয় মখোয়গী মফমদা হঞ্জিনহন্দুনা অনৌবা পুন্সি মহিং অমা পীবা মতম ওইরে। ষ্টেট ফোর্স শীজিন্নদুনা থোক্লিবা ঈরাং অসি লোইশিন্নবা হোৎনফম থোক্তবরা? মণিপুরদা চংলকখিবা সেন্ত্রেল ফোর্স মরু ওইনা অসাম রাইফলস (এ আর) কী মখাদা লৈবগা মান্নরে। মণিপুর লৈঙাক ফেল ওইরে। এ আরনা মীচমদা মীওৎ-মীনৈ চত্থরে। ইমা ওইবী কয়াদা তৌহৈদবা, মীনুংশি য়াওদবা থৌওং কয়া চত্থবা ঐখোয়না উরে। লাইফ লাইন ওইরিবা নেসনল হায়ৱে অহুম - ইম্ফাল-জিরিবাম, ইম্ফাল-মোরে অমসুং ইম্ফাল-দিমাপুর খুদক্তা হাংদোক্তুনা পোৎ চৈ পুথোক-পুশিন তৌবা য়াহনগদবনি। হীদাক-লাংথক, তঙাইফদবা পোৎলম কয়া পুশিল্লকপদা অথিংবা লৈহল্লোইদবনি। লৈঙাক অমা লৈরি হায়বদু চপ চানা খঙহনবা মতম ওইরে। মরৈ অনী লোংবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা য়েংলিবা মীৎয়েং অপেনবা ওইদে। মণিপুর লৈঙাক মমিংতা ঙাইরে। লৈঙাক্কী থবক থৌরম অয়াম্বা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পায়শিনখ্রে। ঐখোয় মীকপ থোক্লসি, থৌনা লৈনা থবক পাংলসি। মদু নৎত্রবদি অথৌবশিংগী নুমিৎনা লাকপদা য়াইফ পাউজেল পীবগী ৱাহন্থোক লৈরোই। ঐখোয় বৃটিশ লৈঙাক্তগী নীংতম্বা ফংলে হায়দুনা চাওথোকচরি। অদুবু ঙসি ঐখোয় মনীং তম্না হিংবা খুন্নাই অমা ওইরিব্রা? ঐখোয় ইরোমদোম লেপচবা ঙম্নবা হোৎনবা মতম ওইরে। মসিদা ঐখোয় কনাগী য়াকা ঙাইখিগদগে? ●

# ঐখোয়গী নুংশিরবা মীয়াম ‘লো’ দা চঙশিনমিন্নরসি

## (লোয়রনা পায়বা কলম নোংমৈনি, মুক্না নোংমৈ মৰূনি, য়েলহৌমী কল্লসি)



— মুতুম শান্তি —
(শোত্থরবশিংদা কখোকচরি)

মমাঙঙৈ নিংথৌ পাল্লিঙৈ অমদি বৃটিশনা সাসন তৌরিঙৈ মতমদা মীচম মীয়াম্না ৱাখিবা পূন্নমক খঙমিন্নরি। নিংথৌ ফম মুন্নবগী লানদা মতেং ওইনবা পুশিল্লকখিবা কয়ানা মখোয় মখোয়গী লম পীযু তাল্লক্লি। বৃটিশশিংনা পাল্লিঙৈ মতমদা অকক্নবা থবক খরা তৌহন্নবা পীকখ্রবা তম্পাক লম কয়াদা পুশিন্দুনা থল্লমখি।

নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদনা খুরায় অহোঙ্গৈ লৈকায়দা হঙ্গাম মৰূদগী অচাথাউ শুম্বা তম্নবগীদমক টেলি হায়বা কাঙবু অমা হেক্তা থমলমখি। মফমসিদা হেক্তা লৈহনখি। লৈকায় মমিং ফাওবা ওন্থোক্তুনা টেলিপতি হায়না হৌজিক লৈরিবসিনি। মতাং অসিদা হায়নীংবদি নিংথৌশিং বৃটিশরশিংনা পুশিল্লক্তুনা থমজিল্লম্লবসু ঐখোয়গী লৈকায় মমিং ওন্থোক্লগে লাকপা মতমদা লৈঙাক্কী কর্ম্মচারিশিংনা অয়াবা পীরিবা করিগীনো? লাইরিক হৈ খঙদে, হৈতে খঙদে সর্টিফিকেট চেজেৎ অমা পায়রগা কৈথেলগী লুমকাইদা য়োনবা লৈঙাক্কী থবক, শেল য়াম্না পীরগা লৈবা কয়ানা শেল লৌরগা (করপসন) ওন্থোক-ওনশিন তৌখিবা ময়াম অদুনা মীতৈ ঐখোয় করি থোক্লে ঙসিদি। লাইরিক হৈবা শাবা, মৈতৈ ঐখোয়গী ইরক্তগী মীনুংশি য়াওদ্রবা, মমা লৈবাকপু য়োন্দুনা চাবা ঙম্বা মীওই কয়ানা মীচম মীয়াম্বু অসুক থীনা মাঙহল্লি। হৌখিবদা পাল্লম্বা তুংগী ৱাখল খন্দবা, মশাগীখক্তা খনবা, মীনুংশি লৈত্রবা, মমা লৈবাকপু লৈখা তানবা শিল্লম্বা কয়া অসি মীয়াম্না খক কাউগুমসি। ঙসি ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা লৈরুবদগী হন্দক্কী থৌদোক অসি মাঙদা থমদুনা য়েংসি। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মীতৈ ঐখোয়বু মীওইবা অমা ওইবগী করি হক থল্লিবগে? কুকিগী ফত্তবা অমা থোকপদদি মালেম শিনবা থুংনা লাউথোককখি। মীতৈগী ফত্তবা আইননা য়াদবা থৌদোক অমা থোকপদদি তূমিন্না লৈরি ঙসি ফাওবা। অসুক চাওবা অসিগী মরক্তা খেন্নবা উরবদি মীতৈ ঐখোয় করি তৌবা তাই হায়বসি পুনশিন্দুনা কূপ্না খন্ন-নৈনবা য়াম্না দরকার ওইরে। লূপ মচা-মচা লিংখৎতুনা পংঙাঙ-ঙাঙদুনা লৈবা য়াবা মতম নৎত্রে।

টিভি চেনেলদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম পাঙথোকপসিনা অতোপ্পা ফুরুপকী লৌশিং হেনগৎহল্লি। মীওইবা হায়বা জীব ঐখোয়সি ৱাখলনা হিংলিবনি। ৱাখল-লৌশিং হায়বসিনা থবক ওইনা পাঙথোকই। ঙসি ঐখোয়না য়া-য়া ঙাঙথোক্লগা করি করম্বা থবক পাঙথোক্তুনা লান লেপহনবা ঙম্লব্রা? ঙাঙবদি মীতৈ খক্তনি। লানসিদা ৱারিবা, শিরিবা কয়াসু মীতৈ খক্তনি। মীওই মঙা/তরা খন্নরগা তূমিন্না মচং ওইবা ৱাহৈ পরেং অমনা মীতৈ ঐখোয়গী ‘লমজিং মৈরা ওইহনবীয়ু’। টিভিদা য়াম্না থোকচনীংবা, ৱা য়াম্না ঙাঙজনীংবা মীওই কয়ানা পীক থনবা মীতৈ খুন্নাই ওন্থোকপীরগনু।

অপঙবা মপান থোক্তবনা ফৈ। ঙাঙলিবা মীয়াম, ঙাঙবা লেপ্লগা থবক ওইনা পাঙথোকপীনবা নোল্লুকচরি। আইনগী থোঙদা করি তৌবা য়াবগে হায়বগী মায়কৈদা ঐখোয় পূন্নমক চংশিনমিন্নরসি।

ঙসি ঐখোয়না ফংলিবা চৈনা অসি অশিংবা খুন্নাই অমা ওইদবদগীনি। ৱা ঙাঙথোক্তুনা মনুংদা কূপ্না খন্নরগা ইমা লৈবাক কনবা ঙম্নবা মতম চূপ্পদা হোৎনমিন্নসি। চিন থিবা কয়া অমা ঐখোয়গী ইরক্তা য়াওদবা নত্তে। ইম্ফাল এয়রপোর্ট য়োন্থোকখ্রে হায়দুনা মীয়াম মমাঙদা ঙাঙথোরক্লি। ষ্টেটকী ওইবা পোৎপু মফম মরাং খঙদনা লৈবা/য়োনবা য়াবা নত্তে। মসি মীয়াম্না থাজবীগনু। ঐখোয় মীতৈগী ৱাচোয় ঙাঙবা, তোকঙা শন্দোকপা ময়াম অসিনা তুংগী পুন্সিদা অকায়বা লাক্লি। থবক্তি শূনীংদে, ৱাচোই ঙাঙবদি মশীং য়াম্মী। চিরবা তাঞ্জা অসিদা য়ূম য়ূমদা থবক শূদুনা নোংমগী অফবা থবক অমা, ৱাখল অফবা খন্দুনা চাওখৎ লমজেল তান্নবনা অফবা ওইগনি। পুল্লপ-পুল্লপ ফমদুনা মতম ময়াম অমা মাঙহনখিবা অফবা নত্তে। হৌখ্রবা মতমদি অমুক লাক্লরোই।

নোংমগী খোঙচৎনা পুন্সি লোইখিবা মীওইবনি। শিদ্রিঙৈদা লৈবাক্কী অফবা থবক খরদি তৌরমসি। ঐখোয়গী পোক্লফম ইমা লৈবাক অসিবু করম্বা, কনা লাক্তুনা কনবীগনি। মীতৈ ঐখোয় নত্তনা। ঐখোয় নুংশিনসি। নুংশিনবদগী হেনবা করি অমা লৈবগে? ঐখোয় তুংগী ইচাশিং করম্না হিংহৌগদগে? তুংগী ৱাখল অমত্তং থমজগে।

ঙসি ঐখোয়না মেজোরিটি ওইনা হিংলি। অদুবু মতম খরগী তুংদা ঐখোয়না ৱাখল খন্থবা ৱাৎপদগী মাইনোরিটি তাখ্রবদি করি লাক্কনি। মতমসিদা লৈহৌগদৌরিবা ইচাশিংনা অতোপ্পা ফুরুপকী মরুমদা মীনাই নাইথাং ওইনা হিংহৌগনি হায়বসি থাজবীয়ু। দেমোক্রেসিগী খোঙচত্তা অতোপ্পা ফূরুপশিংনা এম এল এ মশীং য়ামখ্রবা, ঐখোয়গীনা অনী/অহুমদগী হেন্না কাবা ঙমলক্তবা মতম লাকখ্রবদি ঐখোয়না করি তৌবা ঙমগনি। ঙসিগী ঐখোয়না থাগৎখিবা মীহুৎশিং অসিনা তুংদা ওইরকপা য়াবগী লম্বী অসি খঙবা অমদি খঙদবা ওইরি। মখোয়না ভোটপু কারবদি লন-থুম লেপশিনবা, মতু-মচাগী নুংঙাইনবনা এম এল এগী মথৌ ওইরি। অদুনা মরম ওইরক্লগা ঙসিদি লৈবাক মচেৎ তানা কায়থরক্লি। মীচম মীয়াম শিরি, কপ্লি। ঐখোয়বু মাইনোরিটি তাহন্নবা কন্না হোৎনরিবা ফম্নাইবা ঙাক্তনি। লায়রবগী থাদরকপা শেনফম ময়াম অদু হুরাল্লগা মীরমদা য়ূম লৈরগা নচা-নশু ময়ামদু রিফ্যুজি ওইনা থম্বীরম্মু।

মীওইবা ঐখোয়সি ঐগী পোক্লফমবু নুংশিবা ঙমদবা মীদি ‘রিফ্যুজি’ কৌরকপা হায়বসি মথন্তা লাকচবনি। ঐখোয়গী ইমাং-মক্তদা কুকি রিফ্যুজি হায়রিবসিনি। মখোয়বু মালেমদা কনানা উশিৎপীরিবগে? হঙ্গোয়নবা, চাওখৎতবা জীব অমনি হায়না হিষ্ট্রিদা ময়েক শেংনা লৈহৌরগনি। অদুবু ঐখোয়দগী লৌশিং লৌদুনা হেনখ্রবদি, ঐখোয়গী লমদম অসি মীনা লৌখিবা তাবনি। মীখা পোনবা হায়বা পুন্সি মহিং ওইদনবা ঙসিগী খুন্নাইসিনা পুনশিন্দুনা অচুম্বা অফবা লম্বী শেল্লসি। অফবা থবক তৌবদা তপথবা কান্নদে। ইবেম্মা ইমাদি ঙকশম য়ৌরে হায়নবা অদুমক ওইরবনি।

ঐখোয়গী ইমা লৈবাক কনবদা আইনদা চংশিনমীন্নদুনা মমাঙদা শোয়খিবা অমদি হৌজিক্কী তুংগী পূন্নমক খল্লগা পরিং নাইনা থল্লম্বা ঙম্বা মীওই ওইমিন্নরসি। ঐগী অশোয়ববু ঐনা চৈজবা হায়বসি পেন্দবগী খোল্লাওনি। পূন্নমকপু অইবীনা খুরুমজরি। ●

# লোইলম নিতি - ২

- দেভিদ খোমদ্রাম -

মতাং অসিদা লাইনীং লম্বীগীদি পঙ্গররোই মরমদি মসিগী হীরম অসিদি তাবদা য়া-কুম্মে হায়বদুনি। চহী চা খরগী মমাঙদগী নৌনা তম্বীরকপা পুন্সিরোল অমদি নাৎকী শক্তম অদুনা মীওইবা অদুসু য়াংলমচৎকী পুন্সিরোল কাউখিদুনা অনৌবা পুংলোন অদুদা জগোয় শাবা হৌরকখি।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭২**

১) **‘‘লৈবাক নীংবগী ঈশৈ অমসুং শৈরেং’’** হায়বা লাইরিক অসি কনানা খোমজিনবা অমসুং শেম শাদুনা পুথোরকপনো?

২) **‘‘পাউখুম’’** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

৩) **‘‘ইমানা ঙায়রি থোঙ্গালদা লেপ্তুনা/লাকপরা য়েংলি মীৎয়েংগী পোইরৈদা/ নোংমগী চরা লাঙলিবা খূদিং/নীংশিংলি নঙবু শিন্থরি পীরাং।’’** ঈশৈ ময়েক অসি শক্লাইরবা শৈরেংবা অমগী ঈশৈগী লাইরিক্তগী লৌথোকপনি। অইবা অসি কনানো? লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

৪) **‘‘ঐগী পুন্সি অমসুং মণিপুর (লন্নাইগী ৱারী অমা)’’** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৫) **‘‘সাহেবকী থৌজাল’’** হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

ঐখোয়গী ইমুংদা চাক চাবদা তোইনা শীজিন্নরম্বা ঈশিংগী পাত্রদো নোংমা পাবনা হীদাক (য়ু) চিংবদা শীজিন্নরুরে। অদুগী মতুংদগীদি ইমানা মদুগী পাত্রদো য়ু থকখিবা কপ নৎত্রগা য়ুগী কপ হায়খিদুনা অমুক হন্না চাকখুম অমদি চাক চাফমদা উখিদ্রে। য়ুগী পাত্রসি মশিং য়ামখৎলকপসু য়াই নৎত্রগা লৈরিবা পাত্র খুদিংমক লোইনা ওনখিবসু য়াই। মসিগী Alienate তৌখ্রবা পাত্রসি মতমগী খোঙলৈনা কেটেগোরি অমদা চৎখ্রবনি। কেটেগোরি অমদা নৌনা চৎখিবা হায়বসি অমরোমদা অনৌবা কেটেগোরি অদুনা দোমিনেট তৌখ্রবনি হায়রবসু য়াই। মমৈদদি লৈবাক্লা শাবা পাত্রদু মপু ওনখিদুনা য়ু থকপা নুপা অদুনা অতোপ্পা হান্নগী থক্নবা শারকপা পাত্রশিংদুগা চাংদম্নরকই অমদি মানা শীজিন্ননীংবা মওংদা শীজিন্নরকই। মতম অসিৱাইদগীনি লোইলম চনখ্রবা ফুরুপ অমনা মখোয়গী মথৌনা মরিংজেল ফুদোকপা ঙম্নদ্রিবসে। Pseudointellectual শিংসিনা অমরোমদা গ্লোবেলাইজেসনগী ৱা ঙাঙগনি, Internationalism গী ৱারী য়াম্না তোয়না শাগনি। মখোয়দুগী মমাঙদা নেসনেলিজমগী মতাংদা নৎত্রগা irredentism গী মতাংদা হায়রুবা মতমদা ৱাখল পীকপা তাগনি। অদুদগী অমরোমদনা ফ্রীদম নৎত্রগা রাইটস টু লিবর্টিগী মতাংদদি সেল্ফ-দিটরমিনেসনগী ৱা ঙাঙলক্কনি, দিকোলোনাইজেসন অমদি এন্টি-ইম্পরিএলিজমগী আইদিওলোজিনা মপূং ওইরগা ময়া কোঙ্গোল কাবমখৈ ঙাঙলক্কনি। লোইলম চনবা হায়বসিমক্তবু ঐগী ইপানা, ইমানা, ইয়াম্বনা, ইখুরানা নৎত্রগা ইপুনা চনবনি হায়বগী ৱাহং পোক্ত্রি। মপানা মচা অদুগী মথক্তা ইনজষ্টিস চত্থরকপা মতমদা অতোপ্পনা খূৎ থিংজিন্নদে। মদুদা ভিক্টিম ওইরিবা মচাদুনসু য়াম্না লুনা খঞ্জিল্লুদে। অদুবু অতোপ্পা লৈকায়দগী লাকপা নুপা অমনা ঐগী থবকশিংদা খূৎ থিংজিল্লক্লবদি, অদুগা ঐঙোন্দা ‘থৌনা’ হায়বা পোৎশক্তু মচেৎ অমতং ওইরবসু য়াওরম্লবনি ‘য়াদে’ হায়বা খোন্থোক অমদি থোক্লকপা য়াই। হৌরকপদা পৱার ৱাৎপদগী ফোঙদোকপা ঙমখিদবসু য়াই অদুবু মতাং চাবা মতমদি নিংহন্নবা তৌদনা ফুদোরকপা য়াই। তৌইগুম্বসুং ঐহাক্কী ইপানা, ইমানা, ইয়াম্বনা ঐবু থেঙ্খাং কয়াদা লাকশিনবা মতমদদি, পূক্নিংদা খরা ৱারৌরসু থৌনা ফনা লৈদুনসু, রিজনেবল ওইবা লেভেল অমদদি নেসনল ওইবা মীওই অমনদি রিএক্ট তৌরক্কনি থাজদে।

অসুম্না লোইলম চল্লবা ফুরুপ অমনা লৈঙাক্লোনগী মফমদা খক্তং চনবা ওইরবদি মতাং মতম অমদা থৌনা পুথোরক্তুনা নানথোক্নবা হোৎনরক্কনি অদুবু নাৎতা, পুন্সিরোলদা লোইলম চনখিবা ওইরদি ‘লোইলম’ হায়বসিগী ৱাহন্থোক মাঙখিদুনা লোইলম চল্লিবা মপু অদুবু ইমা-ইপা ওইনা উরকই মরমদি পুন্সিরোল মান্নবনিনা। মরম অদুনা মপু নৎত্রগা ইম্পরিএলিষ্টশিংদুগী য়াকা য়েংদুনা লৈবা তারকখি। অখঙ-অহৈশিংনা শেম্বীরকপা শাবীরকপা, ইমা-ইপা মশক খঙউ তাকপীরম্মী। ঐখোয়দা ৱেষ্টর্ন ইম্পরিএলিষ্টশিংনা তম্বীবা ‘খঙবা’ হায়বসি মীৎনা উবা, নাকোংনা তাবদুনা অচুম্বনি হায়না লৌজে, মরম অদুনা ইমা-ইপা মশক খঙবা হায়বসি ক্লাস টেন লোইরকপদা খঙলে হায়না লৌজরে। অদুদগী য়ূম কৈ পাল্লক্লবা মতমদদি ইমানা করি চানীংই, পাবনা কাংশোইনা পান্ত্রা, ইরোম্বনা পান্ত্রা হায়বসি খঙলগা লোইরে নুপাগীদি। নুপী ওইরগদি মীগী ময়ূম য়ৌখ্রগা অপোকপা মপাদি পান ইরোনবা পাম্মী হায়দুনা মকুবোক্তা পীজগে হোৎনরক্তুনা ৱা কাইরকপা ঙাক্তনি। হংলুবা মতমদা লুহোংলমদাইদা ইমানা তাকপীরকই “ইবেম্মা ননেম-নকুদো নঙবু হেক পোকপা নমা-নপানী খল্লুকো” অদুদা পান ইরোম্বদু পীজনীংবগী ৱানি। ‘খঙবা’ হায়বা ৱাহৈসিদা ৱাহন্থোক কায়রবদি catastrophe অমদি উরগনি। থমজনীংলিবা ৱাফমদি কলচরেল ইম্পরিএলিজমনা পীরক্লিবা শাফুসিনা খমথেংখিদুনা হীরম খুদিংমক্তা হ্যুমেন পোটেন্সিএলশিংসি নমহৎখিদুনা মতম চূপ্পগী ওইনা ইপা নত্তবা অদুবু ঐনদি ইপানি খঞ্জবা অমনা য়োকখিদুনা Gladiator অমগী পুন্সি ওইনা লেনখিবা হায়বসি মশানা তাবনি। ৱাইশিল্লক্তুনা লৈরম্বা রোমান slave শিংনা মপুনা থৌজানবীদুনা Gladiator গী ফমথোল হাপ্পী। মদু উবদা অতৈ স্লেভশিংদুসু মোটিভেট তৌই, inspiring ওইবা থৌদোক ওইখিদুনা নৌনা Gladiator গী ফমথোল কাবগী felicitation তৌই, ইন্টরভিয়ু লৌই। নৌনা হৌজরক্লিবা গৎ লৈবা অঙাংশিংনা গ্লেদিএটর ওইবা হায়বসি পাম্নরকখি।

নাৎতা পুন্সিরোলদা লোইলম চনখিবা অসিনা লৈঙাকলোন্দা খুৎথিংজিনবা হায়বসি য়াম্না লায়না থোকপা পোৎশক অমনি। European Imperialist শিংসিনা ইহান হান্না নিংথৌ, নিংথৌমচাশিংসিদা মখোয়গী লেংঙ্খেজতু হান্না তম্বী, অদুদগীদি টাইপ তৌরবা treaty, pact, memorandum মথং-মথং থাজিল্লক্তুনা লোইলম চনখিবা খঙহৌদে। মরম অসিনা কলচরেল ইম্পরিএলিজম অসিনা খূৎলায় ওইদুনা, লোইলম নিতি ওইদুনা, অতোপ্পা হীরম খুদিংমক্তা লোইলম চনশিনখিবা অরাইবনি। কলচরেল ইম্পরিএলিজম অসিনা মপূং ওইবা ইম্পরিএলিজম অসিবু অরাইবা মওংদা মায় পাকহল্লি। মরম অসিনা ‘নিতি’ হায়বদি ‘নিয়ম চুম্না হিংবা’ অসিনা ‘লোইলম’ হায়বা ৱাহৈ অসিদা নপশিনখিদুনা ‘লোইলম নিতি’ হায়বদি নিয়ম চুম্না লোইলম চনবা ওনখি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।